**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১১-০৬-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লেন অমসুং ঈচাউনা শোকহল্লবা রাজ্য অসিগী মফম কয়া কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি নিনি চনবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেনাপতি,কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনগনি।

২)কেন্দ্রদা এন.দি.এনা লুচিংবা সরকারদা য়াওরিবা মন্ত্রিশিংনা পায়গদবা ফমশিং লাউথোকখ্রে। মমাংগী টার্মদা পায়রম্বা মন্ত্রিশিংগী ফমদা থোইনা অহোংবা লৈতে। রাজনাথনা ঙাকশেল অমসুং অমিত সাহনা হোম অদুমক পায়রগনি।

**অমসুং**

৩) অনৌবা কেন্দ্র সরকারগী অহানবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফম ফমদুনা প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনাগী মখাদা খুঙ্গং অমসুং সহরদা লৈরিবা য়ুম লৈজদবা মীওইশিংগীদমক য়ুম কোতি ৩ হেননা শান্নবা শেন্থং পীথাবদা অয়াবা পীখ্রে।

**--ট্যুন--**

**নোং(এল)ঃ** কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা হৌখিবা মে ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎতা শোকহনখ্রবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়াওনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা অমাং আতাগী ফীভম য়েংশিনবগী থবক লেপ্তুনা চখ্রি। মীহুৎ কাংবু অসিনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেনাপতি,কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনগনি। কাংবু অসি হয়েং ফাওবা রাজ্য অসিদা লৈদুনা অকুপ্পা রিপোর্ট লৌখৎলবা মতুং থা অসিগী ১৩ দা ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াই মনিপুরদা মহৌশাগী চৈথেংনা পীবা অমাং অতাশিং য়েংশিনবগীদমক লৌউ শিংউ অমদি য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা ইন্তর-মিনিস্তরিয়েল সেন্ত্রেল টিম (আই.এম.সি.টি) অমা শেমখিবনি। মখোয়না রাজ্য অসিদা লেন তাখিবা অমদি ঈচাউ থোকখিবা অদুদা অমাং অতা থোকখ্রবা মফমশিং য়েংশিন্নবা থা অসিগী ৯ দা ইম্ফাল য়ৌরকখিবনি। মীওই ১২ না শাবা মীহুৎ কাংবু অদু টিম অহুম থোকা খায়দোক্তুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙরাংদগী য়েংশিনবগী থবক হৌখ্রবনি। মীহুৎ কাংবু অদুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি। মখোয়গী য়েংশিন খোংচৎ অদুদা য়ুম কৈ অমাং অতা থোকখ্রেবা মীয়ামনা মখোয়গী পেন্দবশিং ৱাকৎখি। মখোয়গী রিপোর্ট ইম্ফালদগী হনখ্রবা মতুং মরী লৈনবা বিভাগশিংদা পীখৎতুনা মখা তাবা থবক করি লৌখৎলক্কদগে হায়বদু খন্নগনি হায়রি।

**বন্দ(এল)ঃ** রোংমৈ নাগা স্তুদেন্স ওর্গনাইজেসন মনিপুরনা হায়রি -ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ গী রোংমৈ নাগা তাবা মফমশিংদা করিগুম্বা মখল অমত্তা গী বন্দ ব্লোকেটনচিংবা লৈতে ।চেরোোল অমদা লুপ অসিগী

জেনরেল সেক্রেটরি জে .পানমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কুকি ইনপি সাউট ৱেষ্ট সাদর হিলস, কুকি ষ্টুদেন্স ওর্গনাইজেসন সাউট ৱেষ্ট সাদর হিলস অমসুং কুকি ৱিমেন য়ুনিয়ন মোলতাম রিজননা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী পুং ২৪গী বন্দ কৌরিবা অসি য়াবা ঙম্লোই। মরম অদুদা হায়রিবা লম্বী পারিং অসিদা করিগুমবা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা বন্দ কৌরিবা কাংলুপশিংনা দাইতা পুগদবনি। চেরোল অদুনা হায়- নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অসি রোংমৈশিংনা খুন্দাবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবসু মসি মনিপুরগী মপান অমসুং মনুংদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিংগীনি। মরম অদুনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা কনাগুম্বা অমত্তনা তেরোরিজমগী থৌওং মানবা থবক চথবা য়ারোই । মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্যুরিতি কনভোইদা এতেক তৌরকখিবা অদুবুসু লুপ অসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

মরক অসিদা অসামগী আই.জি.পি (লো এন্দ ওদর) পি.কে ভুয়েননা অসাম মনিপুর ঙমখৈ পারিংদা লৈরিবা জিরিঘাট অমসুং লক্ষিপুরদা চৎতুনা মফম অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনখ্রে। শ্রী ভুয়েননা জিরিবামগী এস.পি প্রদিপ কুমার , অসাম রাইফলগী করনেল অকাস অমসুং সি.আর.পি.এফকী কম্মান্দেন্তগা উন্নদুনা ঙাকশেলগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নাখি হায়রি ।

**দিফেন্স(এল)ঃ** ভারত লান্মীনা ইম্ফাল ইষ্টতগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমগী মীওই ফারে হায়রি। পি.আর.ও দিফেন্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্টকী হুইকপতা মনিপুর পুলিস অমসুং ভারত লান্মীগী অপুনবা কাংবু অমনা চথখিবা ওপরেসনদা কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা ফেক্সনগী মীওই অমা ফাবা ঙমখিবনি। মঙোনদগী মরু য়াওবা নাইন এম .এম পিস্তোল অমা হেন্দ গ্রেনেট অহুম ফংবা ঙম্লে।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মনিপুরগী নহাশিংগীদমক হোস্পিতালিতি অমসুং রিতেল মেনেজমেন্তগী মতাংদা স্কিল দিভলপমেন্ত প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফালদা হৌরগনি। স্কিল দিভলপমেন্ত প্রোগ্রাম অসি অসাম রাইফলস অমসুং ৱি কেয়র স্কিল সোলুসনগগী মরক্তা সহি তৌনখিবা য়ানা ৱারোল অদুগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মেদিয়াগী মীহুৎ কাংবুশীংগা উন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**মন্ত্রি লিস্তঃ** কেন্দ্রদা এন.দি.এনা লুচিংবা সরকারদা য়াওরিবা মন্ত্রিশিংনা পায়গদবা ফমশিং লাউথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা পরসনেল পব্লিক গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সন, এতোমিক হনরজি, স্পেস অমদি অতৈ মন্ত্রিশিংনা পায়দবা ফমশিং পায়রগনি। কেবিনেট মন্ত্রি ৩০ গী মনুংদা রাজনাথ সিংহনা ঙাকশেল, অমতি সাহনা হোম, নিতিন গটক্বরিনা রোদ ত্রান্সপোর্ট, জে.পি নদ্দানা হেলথ, সিবরাজ সিংহ চৌহাননা এগ্রিকলচর অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ত, নিরমালা সিতারমননা ফাইনান্স , ডা: এস জয়সঙ্করনা এক্তরনেল এফ্যারস, ধর্ম্মেন্দ্র প্রধাননা ইদুকেসন, ঐচ.দি কুমারা স্বামিনা হেভি ইন্দস্ত্রিজ , মনোহরলালনা হাউজিং এন্দ অরবান্দ এফ্যারস, অস্বুনি বৈষ্ণোনা রেলৱেজ অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাস্তিং , জোতিরা অধিত্যা সিন্দিয়ানা কম্যুনিকেসন অমসুং দোন্নর , ভুপেন্দ্র য়াদবনা ইনভাইরোনমেন্ত, সরবানন্দ সোনোৱালনা পোর্টস, সিপ্পীং এন্দ ৱাটরৱেজ , রিকন রেজিজ্না পার্লিয়ামেন্তরি এফ্যারস পায়রগনি। মসিগী মথক্তা মনিস্তির ওফ ষ্টেট ইন্দিপেন্দেন্ত চার্জ ৫ অমসুং রাজ্য

মন্ত্রি ৩৬ না পায়গদবা ফমশিংসু লাউথোকখ্রে।

**কেবিনেটঃ** নৌনা সরকার পায়রবা এন.দি.এগী অহানবা মন্ত্রি মন্দল মীফম ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনাগী মখাদা খুঙ্গং অমসুং সহরগী লৈরিবা য়ুম লৈজদবা মীওইশিংগীদমক য়ুম কোতি ৩ হেননা শান্নবা শেন্থং পীথাবদা অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা য়ুম কোতি ৪ লাখ ২১ শাবা লোইশিনখি। স্কিম অসিগী মখাদা শাখিবা য়ুমশিংদা তঙাই ফদনা চংবা তোইলেট, এল.পি.জি কনেক্সন , ইলেক্ত্রিকসিতিনচিংবা য়াওরি।

শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা প্রধান মন্ত্রি ওইনা হেক থবক পুবগা পি.এম কিষান সম্মান নিধি স্কিমগী ১৭ শুবা ইন্সতোলমেন্ত থাদোকখি। স্কিম অসিনা লৌমী কোতি ৯ লাখ ৩০ রোমদা লুপা কোতি লিশিং ২ য়েন্থোক্কনি। স্কিম অসি ইং কুমজা ২০১৯ দা হৌদোক্কুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংদা শেলগী তেংবাং পীন্নবনি।

**সিবিএসসিঃ**সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন(সি.বি.এস.ই)না একাদমিক সেসন ২০২৪ -২৫ গী সেলেবস, স্তাদি মেতিরিয়েল অমসুং ক্বেসন পেপর সেম্পলশিংগী মতাংদা লাননা পাউ শন্দোরকপদা থাজবিদনবা মহৈরোই অমসুং মমা মপাশিংদা চেকশিংনবিনবা খঙহনখ্রে। মহৈরোইশিংনা য়ারিবমখৈ ওনলাইন প্লেটফোর্মদা থাগৎলকপা পাউশিংদা য়ুফম ওইরগা চৎতনবা খঙহনবগা লোয়ননা ওনলাইন পোর্তেল খরনা অরানবা পাউ অমদি চৎনদ্রবা লিঙ্কশিং শিজিন্নবা থেংনরে। পাউ অদুনা হায়-সরকারগা মরী লৈনদবশিংনা থাগৎলকপা পাউশিংনা মহৈরোইশিং অমদি মমা মপাশিংদা লাননা লমজিংবা য়াই মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা সি.বি.এস.ইনা মসিগী ৱেব সাইত্তা থাগৎলকপা পাউ খক্তাদা

যুমফম ওইবা পাউ লৌননবা খঙহল্লক্লি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**---প্রেমচান্দ ---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) লেন অমসুং ঈচাউনা শোকহল্লবা রাজ্য অসিগী মফম কয়া কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি নিনি চনবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেনাপতি,কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনগনি।

২)কেন্দ্রদা এন.দি.এনা লুচিংবা সরকারদা য়াওরিবা মন্ত্রিশিংনা পায়গদবা ফমশিং লাউথোকখ্রে। মমাংগী টার্মদা পায়রম্বা মন্ত্রিশিংগী ফমদা থোইনা অহোংবা লৈতে। রাজনাথনা ঙাকশেল অমসুং অমিত সাহনা হোম অদুমক পায়রগনি।

**অমসুং**

৩) অনৌবা কেন্দ্র সরকারগী অহানবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফম ফমদুনা প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনাগী মখাদা খুঙ্গং অমসুং সহরদা লৈরিবা যুম লৈজদবা মীওইশিংগীদমক যুম কোতি ৩ হেননা শান্নবা শেন্থং পীথাবদা অয়াবা পীখ্রে।

--পাউ লোইজরে--

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-রাজেস**

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্ব বিরেননগী এদভান্স সেক্যুরিতি কাংবুদা এম্বুস চথুরকখিবগী পাউ ঙসি ফোংবা অয়াম্বা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

নহারোলগী থৌদাংেদা - ষ্টেট ফোর্সতা লান্দারকপদা অমা শোক্লে, ষ্টেট ফোর্সনা বঙ্কর থুগাইখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেন্দলাইন অসিগী মখাদা ব্রাখল তারক্কনি খল্লুবনি , তরক্ত্রবনিনা তৌবা তারেদনা হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম সব হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।
পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতনা - কুকি মিলিটেন্তশিংনা সি.এমগী এদভান্স কনভোইদা এতেক চথুরকখ্রে, দ্রাইভর য়াওনা পরসনেল অহুম শোক্লে হায়না হেদলাইন পীবা থেংনরে। সব হেদলাইন ওইনা এদভান্স কনভোইদা এতেক তৌরকপা হায়বসি সি.এমদা এতেক তৌবনি , চপ চাবা থবক তৌরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম ফোংলক্লি।

এম্বুস তৌরকপগী পাউ অসি মনিপুর নিডজ, মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক , পিপলস ক্রোনিকল অমসুং

পোকফম পাউচেদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। দা গানফিউ মেলগীসু পাউ অসি অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি।

হুইয়েন লানপাউগী ওইনা প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরগী পোর্টফোলিওশিং লাউথোকখ্রে, ইলেক্সন মতুংদা মনিপুরগী ৱাথোক লোইশিনগনি হায়খিবা অমিত সাহনা অমুক্কসু হোম মিনিস্তর ওইরে হায়না বেন্নর হেদলাইন ফোংবা থেংনরে। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা পোকফম পাউচেদা অহানবা লাইন পীদুনা ফোংলি। হেদলাইন অদুদি-অনৌবা লৈঙাক্কী পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোকখ্রে, অমিত সাহ , রাজনাথ, নিতিন গটকারি অমসুং নিরমালা সিতারামন হান্নগী পোর্টফোলিওশিং পায়রি হায়বা হেদলাইন অসিনি। মিনিস্তরশিংগী পোর্টফোলিও লাউথোকখিবগী পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি। অতোপ্পা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা পাউ অসি ফোংবা থেংনরি।

ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা তোতেল সটদাউন্দগী খোংজং চংশিনবা য়ারোই হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর নিউজকী অনিশুবা হেদলাইননি। অসামগী কছারদা মীওই ৬০০ চংজফম লৌদুনা লৈনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইননি।

জিরিবামদগী বোরোবেক্রা ফাওবা চৎপগী লম্বীদা শাবা থোং কয়া, ফোরেস্ত বিট ওফিস কুকিশিংনা মৈ থাদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেদা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা -কুকিগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ফুরুপ অসিনা নমনা তাবা মফমশিংদা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী পুং ২৪গী বন্দ

কৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পাউচে অসিগী হেদলাইন ওইরি ।

**--রাজেস--**